# সিবিআইগী স্পেসিয়েল কোর্টনা

# লালু প্রসাদ যাদব চহী ৫ জেল পীখ্রে

*রাঞ্চি, ওক্টোবর ৩:* লুপা ক্রোর কয়াগী ফোদ্দর স্কামদা চেন্নবা রাষ্ট্রিয়া জনাটা দল (আর জে দি)গী চিফ লালু প্রসাদ যাদব ঙসি সি বি আই গী স্পেসিয়েল কোর্টনা চহী ৫ গী ফাদোক পীখ্রে। লোয়ননা কোর্ট অসিমক্কা লুপা লাক্ষ ২৫ অমসু ফাইন তৌখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি সি বি আই গী মায়কৈদগী আর জে দি গী সুপ্রিমো লালু প্রসাদ যাদব চহী ৭ জেলদা থম্বা পামখিবনি। মসিনা অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইমশিং অসিদা তুমিন্না লৈথোক্তে হায়বগী মেসেজ অমা পীবা ঙমগদৌরিবনি। বিহারগী হান্নগী চিফ মিনিষ্ট ডা: জগনাথ মিশ্রা অমসুং জে দি (য়ু)গী সিটিং এমপি জগদিশ শর্ম্মসু কেস অসিগা মরী লৈননা সি বি আই কোর্ট অসিমক্কা চহী ৪গী ফাদোক পীখ্রে। সি বি আই গী স্পেসিয়েল জজ প্রনাবকুমারনা লালু প্রসাদ যাদব য়াওনা জগনাথ মিশ্রা অমসুং জগদিশ শর্ম্মদা পীগদবা দন্দিগী চাং অসি ভিদিও কনফরেন্সিং অমগী খুত্থাংদা লাওথোরকখিবনি।

লালু প্রসাদ যাদবগী লোয়রনা মমাংদগী হৌনা লালু প্রসাদ যাদব অসি মশাগী চহী য়াম্বা অমসুং তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া অমনা নাবনা সি বি আই না মহাকপু চহী ৭ জেলদা থম্ন বা হোৎনরিবা অদুগী মায়োক্তা কাউন্টর তৌদুনা মহাক্কী দন্দিগী চাং অসি খরমখৈ হন্থহন্নবা আর্গুমেন্ট পীদুনা লাকখিবনি। মশাগী চহী ৬৫ শুরবা আর জে দি গী সুপ্রিমো লালু প্রসাদ যাদব অমসুং অতৈ ফোদ্দর স্কামদা চেন্নবা কনভিক্টশিং হৌজিক হৌজিক বিরশা মুন্দা সেন্ট্রেল জেলদা লৈরিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা লালু প্রসাদ য়াওনা পুন্না মীওই ৪৫ সি বি আই না কনভিক্ট পীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মনুংদা ৮ অমদি হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০ দা মখোয়বু দন্দি পীখ্রবনি।